HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur



মেঘালয় লৈঙাক্কী চীফ ইলেক্সন ওফিসর ডা. বিদিআর টিব্রারিনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা শিলোংদা পাঙথোকখিবা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, মেঘালয়গী ১৯শুবা চহীগী মীফমদা শরুক য়াখিবশিং

লৈশোৌ হাৎনবা হিদাক কাপ্পে, চৎখিনবা লাইসু খুরুম্মে... লামায় ২
লামায় ৪ ইন্দিয়ান ক্লাসিকেল লেঙ্গুয়েজদা মণিপুরী...
হল্লকখিগে নতস্বাকসিদা (পূন্সিবু চং ফংনা য়েংলিবী অইবী... লামায় ৫
লামায় ৬ শোয়খিবা কয়া ঙাক্লদুনা চাওখৎপগী লম্বীদা মাঙলোমদা...
হরয়ানা মীখলদা ভোটর চাদা ৬৮.২০ রোম্না ভোট ... লামায় ৯
লামায় ১২ টি-২০ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ : ওস্ট্রেলিয়ানা স্রি লঙ্কা ...

মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মখাদা নোর্থ ইষ্ট কলচরেল ফোরম, লাঙ্গোল নিংথৌ লৈকায়না শীন্দুনা ককচীংগী দাইট সেন্টরদা তোঙান তোঙানবা জগোয় মরিগী নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ পাঙথোকপগা লোয়ননা উৎখিবা জগোয়



Vol. 48, Issue No. 183 | নোংমাইজিং, মেরাগী হুম্নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, October 06, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

### দেল্লীদা পাঙথোক্কদবা এন পি পিগী নেসনল এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মীফম য়েথোকখ্রে

# এন পি পিগী এম এল এ ৭কী মনুংদা মখা তানা মণিপুর লৈঙাক শৌগৎনীংবা ১সুং শৌগৎনীংদবা ২ থোক্লব্রা

## ওক্টোবর ৯দা এন পি পি মণিপুর ষ্টেটকী এগজিক্যুটিভ মীটিং পাঙথোক্লবা নোটিস থোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৫ (ঐচএনএস) :**
কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা মায় পাক্লকখিবা নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) গী এম এল এশিংনা বি জে পিনা লুচিংবা অহানবা লৈঙাক্তা শৌগৎলক্তুনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়াওনা মিনিষ্টরগী ফম ফাওবা লৌদুনা চৎমিন্নরকপদগী কুমজা ২০২২দা পাঙথোকপা ১২শুবা এসেমব্লি মীখল মতুংদসু হৌজিক ফাওবগী ওইনা বি জে পিনা লুচিংলক্লিবা অনীশুবা লৈঙাক অসিদা মিনিষ্টরগী ফম অমত্তা ফাওবা থিন্দোরক্ত্রবসু লৈঙাক অসিবু শৌগৎলক্লিবা এন পি পিগী এম এল এ ৭কী মনুংদা মখা তানা



মেঘালয়গী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) গী নেসনল প্রসিদেন্ট কোনরাদ কে সংমা

লৈঙাকসিবু শৌগৎনীংবা অমসুং শৌগৎনীংদবা এম এল এশিংগী কাঙলূপ অনী থোক্লব্রা হায়বগী ৱাহং মীয়াম্না হংনরক্লে।

ৱাহং অসি মে ৩, ২০২৩দগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা খামদবদগী হৌজিক ফাওবদা থা ১৭ হেঞ্জিল্লক্লবা মণিপুরগী তমথীরবা লান অসি কনশিল্লকপদগী পোলিটিকেল সর্কল অমসুং মীয়াম্না হংনরকখিবদা নত্তনা মমাঙ থাগী ২৭তা মেঘালয়গী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা পার্টি অসিগী নেসনল প্রসিদেন্টনা চ্যের লৌদুনা গুৱাহাটিদা পার্টি অসিগী মীফম অমা পাঙথোকখিবনি।

মীফম অদুদা এম এল এ, কে ঐচ লোকেন, আই নলিনি, এম দি নুরুল হাসন, এম রামেশ্বর, টি ঐচ শান্তি অমসুং জাংহেমলুং পানমৈ য়াওনা বি জে পিনা লুচিংবা অহানবা লৈঙাক্তা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইরমখিবা পার্টি অসিগী নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট য়ূম্নাম জয়কুমার য়াওনা পার্টিগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মেম্বর ১৫ রোম্না শরুক য়াখিবনি। অদুবু পার্টিগী এম এল এসু ওইরিবা ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট এন কায়সিদি মশা ঙমদবদগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিদবনি।

গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা হৌজিক মণিপুরগী ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা বি জে পিনা লুচিংলক্লিবা ষ্টেট লৈঙাক্তা মখা তানা এন পি পিনা শৌগৎখিগদ্রা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# মণিপুর লৈঙাক্লা লূম্না লৌদবদগী মণিপুরী লোলবু ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা চলহল্লক্তবনি : মীলাল

## ‘মণিপুর লৈঙাক্লা মণিপুরী লোলবু ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা চলহন্নবা হোৎনরক্ত্রবদি মীয়ামগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিল্লকপা য়াই’



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৫ (ঐচএনএস) :**
মণিপুরী লোলবু ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা চলহল্লক্তবসি মণিপুর লৈঙাক্লা লোল অসিবু লূম্না লৌদবগীনি হায়না মীতৈলোল অমসুং মীতৈময়েক্কীদমক চহী কয়াগী মমাঙদগী মথৌ তাবা থবকশিং অতত্তাই ওইনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়নশিল্লোন অপূনবা লূপ (মীলাল) না নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী কংলা পার্ক মনীংদা লৈবা লূপ অসিগী ময়ায় লোয়শঙদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা প্রসিদেন্ট খাইদেম ইঙোচানা পাউমীশিংদা হায়, মতম চানা মণিপুর লৈঙাক্লা মণিপুরী লোলবু লৈবাক অসিগী ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা চলহন্নবা প্রপোজেল থারল্লবদি মণিপুরী লোলসু ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা চল্লমগদবনি হায়খি।

ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা চনবদা চঙগদবা মচাকশিংগী মতাংদা মরী লৈনবা লোয়শঙশিং অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা লূম্না লৌদবনা চন্ননবা প্রপোজেল থাদবদগী চলহল্লক্তবনি হায়খি।

মতম চানা মণিপুর লৈঙাক্লা প্রপোজেল থারল্লবদি মণিপুর মীয়াম্না ঙসি ফাওরিবা নুংঙাইতবা অসি ফাওরল্লোই। মণিপুর লৈঙাক্লা তুংগী মীরোলগী খন্দুনা লোল অসিবু ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা চন্নবা হোৎনবগী মতম ওইরকপা কুইরবনি। মখা তানা লৈঙাক্লা হোৎনদ্রবদি মীলালনা মীয়ামগা লোয়ননা খোঙজং কয়া চঙশিল্লকপা য়াই হায়খি।

মণিপুর লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবদা এসেমব্লিদা পুথোক্তুনা মীতৈ ময়েক্কী মতাংদা তোঙানবা সেল অমা খায়দোকপা লৈত্রি। মীতৈ ময়েক অসিবু চাওখৎনবা হোৎনরকপা চহী ১০ হেল্লকপগা লোয়ননা হৌজিক এম এ ফাওবগী থাক্তা মীতৈ ময়েক তম্বা হৌরবনি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## বেঙ্ক ওফ বরোদা এম য়ু ব্রাঞ্চতগী লুপা ক্রোর ৪ মুক্কী সনা হুরানখিবগী কেসতা ফাবা মীওই ৩ জেলদা থাজিনখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৫ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ১১ অমসুং ১২গী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুং পুং ১.৪১ রোম তারকপদা বেঙ্ক ওফ বরোদা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ব্রাঞ্চতগী লুপা ক্রোর ৪ মুক্কী য়াল্লবা সনাশিং হুরানখিবগী মায়োক্তা বেঙ্ক অসিগী সিনিয়র ব্রাঞ্চ মেনেজর গঙ্গা নিঙোম্বমনা ফাইল তৌরকপা কমপ্লেন্ট রিপোর্টকী মতুংইন্না শীংজ মৈ পি এসনা লৌখৎখিবা কেসকা মরী লৈননা ফারগা থেঙ্খাং অনীরক পুলিস কষ্টদি লৌদুনা ৱাহং-পাউহং চখরকখিবা কমপ্লেনেন্ট য়াওনা মীওই অহুম জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## আর্মি চীফ দ্বিবেদিগী ৱাফম্না মণিপুরগী ঈৱাং অসি ফূরুপ ২ মূক্লবা খক নত্তে, মনুংদা ময়াম লৈরি হায়বদু তাক্লে : এম পি বিমোল

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৫ (ঐচএনএস) :**
থা অসিগী ১দা আর্মি চীফ জেনরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদিনা মণিপুরগী ঈৱাং অসি এঙলো-কুকি ৱার সেন্টিনরি গেট মৈ থাই হায়বগী তোকঙা অমদগী হৌরকখিবনি হায়না ফোঙদোকখিবসিনা ঈৱাং অসি চুম্নগী ফূরুপ অনী মূক্লবা খক নত্তে, মনুংদা ময়াম লৈরি হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লে হায়না এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি অসামদা বেজ তৌবা ‘প্রটিদিন টাইম’ গী কনক্লেভকী অহানবা নুমিৎতা মহাক্লা পীখিবা ইন্টরভিয়ুদা ফোঙদোকখিবনি।

এম পিনা মখা তানা হায়, জেনরেল দ্বিবেদিনা ঈৱাংসিবু হৌরকখিবা মৈরিকপী অদুগী মতাংদা ঙাঙলবসু উংখৎনবদি মমাঙদগী লৈরক্লবনি। মে ৩দগী হৌরক্লবা ঈৱাং অসি তোকঙা অমদগীনি হায়রিবসি তোবর্বুংদা য়ূম মৈ থাবা য়াওনা চখরকখিবা ভাইওলেন্সকী থৌওংশিং অদুবু মরম চাবনি হায়না চখরকপা প্রোপেগন্দানি। মসিগী মতাংদা কুকিগী ইন্টলেকচুএল কয়ানসু নেসনল মীদিয়াদা হৌবদগী ঙাঙদুনা লাক্লিবনি। তশেংবদি মসি চুম্নগী তোকঙা নত্তে, ভাইওলেন্স অদুনা মরম চাবনি হায়নবা প্রোপেগন্দানি।

মে ৩দা চৎখিবা রেল্লি অদুদা নুংথিল পুং ৩/৩.৩০ তারকপদগী অফবা মখলগী খূৎলায় পায়বা কুকি মিলিটেন্টশিং য়াওবা উরে অদুবু মসিগী মতাংদদি করিসু হায়নদে। মণিপুরদা ওইরিবা ফীভম অসি কুকি নৎত্রগা মীতৈ হায়বা খক্তা নত্তবা মনুংদা ময়াম লৈরি। মহাক্কুম্বা ওফিসর অমদি ওফিসলশিংনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কুকি এম এল এ ১০গী মথক্তা এক্সন লৌখৎত্রবদি শিজরগনি হায়দুনা মতম থাখিবা মালেম থোঙাম পুলিসনা ফাজিনখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৫ (ঐচএনএস) :** সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তাল্লিবা কুকি-জৌ এম এল এ ১০গী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা থবক লৈঙাক্লা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা লৌখৎকদবনি হায়দুনা অইবা চেরোল পীশিনখ্রবা




মতুং নুমিৎ ১৫নিগী মতম অসি ঙসি নুংথিল পুং ৩দা লোইরগদবা ফাওবদা এক্সন লৌখৎলক্ত্রবদি চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলো মমাঙ নৎত্রগা মফম অমদা হেক্তা শিজবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ঙরাং পাউগী মীফমদা লাউথোকখিবা মালেম থোঙাম ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ৪ রোম তারকপদা পুলিসনা ফাজিনখ্রে।

মহাক ফাজিনখিবদগী মহাক্কী অপোকপী বিনো অমদি মহাক্লা তাল্লিবা দিমান্দ শৌগৎপশিংগা লোয়ননা ঙসি নুমিদাং ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## লম্বী নমথবদগী শেম্লিঙৈদা দুকান্দারশিংনা পোৎকী মমল হেন্না য়োনবীগনু : এম দি এ

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৫ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী মণিপুর অমদি নাগালেন্দগী এরিয়াদা নোং লেপ্পুনা চুরকপদগী চীং নীংখাইরক্তুনা ষ্টেট অসিগী লাইফ লাইন ওইরিবা ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী অমদি ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা পোৎ চৈশিং পুশিল্লকপা ত্রকশিং লম্বীদা পুখবদগী লম্বী শেমজিন্নবা হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা দুকান্দারশিংনা পোৎ চৈগী মমল হেন্না



য়োনবীগনু হায়না মণিপুর দ্রাইভরস এসোসিএসন (এম দি এ) গী জেনরেল সেক্রেটরি কে এস ঐচ সঞ্জয়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ক্বাকৈথেলদা লৈবা এম দি এগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্লা হায়, ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীগী কোহিমাগী ফত্ত-হৌদি হুনে দাকফম ওইরিবা জব্রা হায়না খঙনবা মফমদা লম্বী মতেক খরা নমথখিবদগী ইম্ফালদা চঙলক্কদবা পোৎ চৈ থন্না য়াওবা ত্রক কয়া লমখাংদা পন্দুনা লৈরে। লম্বী অসিগী ফীভম ফগৎহন্নবগীদমক ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## লাকখিবা নোংমৈ ১৬ ফংলে, মরি ৱাৎলি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৫ (ঐচএনএস) :**
থা অসিগী ২দা উখ্রুলগী হুনপুং অমসুং হুনফুন খুল অনীগী খুঞ্জাশিংগী মরক্তা লমগী ৱাহৌদগী খূৎ থোক্লরকখিবা থৌদোক্লা মরম ওইরদুনা উখ্রুল পি এস অমসুং ৬শুবা এম আরদগী নোংমৈ অমদি মরূশিং নমদুনা লাক্লগা পুখ্রবা মতুং ঙসি নোংমৈশিং অদুগী মনুংদগী ১৬ ফংবা ঙম্লে অদুবু নোংমৈ মরি ৱাৎলি হায়রি।

ঙসি রিকোভর তৌখিবা নোংমৈ অমদি মরূশিং অদু পুলিসকী মায়কৈদগী উখ্রুলদা পাউগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা পাউমীশিংদা য়েংহনখ্রে। অমুক হন্না ফংবা ঙম্লবা নোংমৈশিং অদুগী মনুংদা ইন্সাস রাইফল তরুক, ষ্টেন্দ কর্বাইন অনী, ৯ এম এমগী পিষ্টোল ৫, এ কে ৪৭ রাইফলস অনী অমসুং এস এল আর অমনি হায়রি।

নোংমৈশিং অসিগা কোন্ননা ফংবা নোংমৈ মরূগী মশীংনা ৩৫ রোমদনি হায়রি। অদুম ওইনমক ৱাৎহৌরিবা ৯এম এম পিষ্টোল অহুম অমসুং এ কে ৪৭ রাইফল অমা ফংননবা মখা তানা পুলিসকী মায়কৈদগী থি-হুম্বগী থবক লেপ্পুনা চখরি হায়রি।

পনবা য়াবদি থৌদোক অদুদা ৬শুবা এম আরগী পর্সনেল অমা য়াওনা মীওই ৪ লৈখিদবনি।

## ককচীং খুনৌ মনীং লৌকোন অমুক হন্না ঈশিং থুমজিল্লে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৫ (ঐচএনএস) :**
নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী লেপ্পুনা চুরকখিবা অকনবা নোংনা মরম ওইরদুনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ককচীং খুনৌ ফাওদুনা চেল্লিবা তরং তুরেলগী লৌনম্বাল অমুক হন্না কায়দুনা ককচীং খুনৌ মনীং লৌকোলদা লৈবা লৌবুকশিং ঈশিংনা অমুক হন্না থুমজিল্লে হায়রি।

তরং তুরেল অসি মমাঙদা কায়খিবা লৌনম্বাল নৌনা শেমজিল্লবা মতুংদা ঙরাং নুংথিল মফম অদুমক্তদা অমুক হন্না ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতগী কুকি-জৌশিং লৌথোক্লবা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলগনি : এম এম টি য়ু

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৫ (ঐচএনএস) :**
মণিপুরদা ম্যান্মারদগী ফোরেন্নর ওইনা চঙশিল্লক্লগা লোগী ৱাংমদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈশিল্লক্লিবা কুকি-জৌশিংবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা এস টি লিষ্টতা হাপচিন্দুনা লৈরিবসি লৌথোক্লবা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎতুনা অচুম্বা ৱায়েল চখৎবীনবা থবক লৌখৎলগনি হায়না মীতৈ (মৈতৈ) ত্রাইব য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

য়ুনিয়ন অসিগী চেরোল অমনা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়, ম্যান্মারদগী লেপ্পুনা চঙশিল্লক্লিবা ফোরেন্নরশিং অসিবু ইন্দিয়াগী ভোটর লিষ্টতা হাপচিনবগী মহুত্তা এস টি লিষ্টতসু য়াওহনবা হায়বসি লৈবাকসিদা চৎনরিবা কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তনি। ইন্দিয়ানা মণিপুর হায়বা ষ্টেট অসিদদি মীতোপ চঙশিল্লকপা থিংনবা লৈরিবা ফোরেন্নরস এক্ট, ১৯৪৮বুসু ফোংনা খোঙ্গাওনবদা নত্তনা লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংগী খোঙ্গুল মূখৎনবা হোৎনবদা অফোংবা অমসুং অরোনবা লাল্লোং কয়া চখরে হায়রি।

মণিপুরদা খুন্দাশিল্লক্লিবা কুকি-জৌশিং অসি লমদমসিগী য়েলহৌমী নত্তে হায়বসিদি পুৱারীনা তাক্লিবনি। কুমজা ১৮৩৪ ফাওবদা মণিপুরদা কুকি-জৌশিংগী খুল অমা ফাওবা লৈরমদে। মখোয় অসি ম্যান্মারদগী ফোরেন্নর অমদি রিফ্যুজি ওইনা চঙশিল্লকখিবনি। কুমজা ১৯৪১গী মমাঙ ফাওবদা য়ূম ২৯ লৈবা মফম অমবু কুকি খুল অমা ওইনা শকখঙননবা মনাক নকপদা লৈবা নাগা খুলগী ভিলেজ চীফতা চহী অমগী লুপা ৩/৩গী চাংদা টেক্স থিদুনা খুন্দাবা য়াহল্লম্মী। কুমজা ১৯৪১দা মণিপুর ষ্টেট দরবারনা অমুক চহী অমদা লুপা ৬/৬কী চাংদা টেক্স পীবগী ওর্দর থোকখি। কুমজা ১৯৭৩ ফাওবদা মণিপুরদা চঙলকখিবা কুকি রিফ্যুজিশিংনা ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্তা কয়ারক হন্না তোঙান তোঙানবা মখোয়গী রিলিফ অমসুং রিহেবিলিটেসনগীদমক মতেং পীবিনবা অইবা চেরোল কয়া থাখিবগী হৌজিক লৈরিবা দোক্যুমেন্টশিং অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি। কুমজা ১৯৫০দা কুকি-জৌশিং লান্না এস টিগী লিষ্টতা হাপচিনবা হৌখিবদুনা কুমজা ১৯৫৬তা ‘এনি কুকি-জৌ ত্রাইব’ হায়বা ৱাহৈশিং হাপচিন্দুনা ম্যান্মারদগী লেপ্পুনা চঙশিল্লক্লিবা কুকি-জৌশিং অসিগী লমথুংফম-খুন্দাফম অমা শেমগৎতুনা লাকখিবনি।

ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী ফূরুপ অমনা এস টি লিষ্টতা য়াওবা হায়বসি হান্না খুন্দাদুনা লৈরক্লবা য়েলহৌমী খক্তনা ওইগদবনি হায়না য়াম্না ময়েক শেংনা পল্লি। এস টি লিষ্টতা য়াওদবা তঙাইফদনা ফূরুপ অদুগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা



HL-B/1385/6